# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম ইংলেন্দগী মখূৎতা ইন্নিংস অমগা রন ১৫৯ দা মায়থীদুনা সেরিজ ০-২ দা লৈখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দগী টুর মনুং চন্না শান্নবা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজকী অনীশুবা মেচকী ঙরাং মরিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়া য়ূম্বু লৈবাক অদুগী মখূৎতা ইন্নিংস অমগা রন ১৫৯ দা মায়থীদুনা সেরিজ অদু মেচ ০-২ দা শোত্থদুনা লৈখ্রে।

অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুগী অহৌবা নুমিৎ নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াখিদবনি। মেচ অদুগী টোস ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা ঙমদুনা নোং তাখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী অহানবা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফিভম শোক্না শুপ্নগী রন ১০৭ তা লোইশিনখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙমখিবা অদু স্পিন বোলর রবিচন্দ্রন অস্বিননি।

টেষ্ট মেচকী স্পেসলিষ্টনি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন মুরালি বিজয়, লোকেশ রাহুল অমসুং চিতেশ্বর পুজারা রন য়াম্না লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। বিজয় রন অমত্তা লৌদনা আউট ওইখিবনি। রাহুল রন ৮ খক লৌরমখি। অদুগা পুজারা শুপ্নগী রন ১ দা আউট ওইখি। ইংলেন্দগী বোলর জেমস এন্দরসননা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মচেৎ তানা থুগায়খি। মহাক্না পূন্না ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৫ আউট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাত কোলিগী লমজিং মখাদা ইংলেন্দগী টুর অসিগী মাঙওইননা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অদু হন্দক্কী টুর অসিগী অহৌবা মেচ অনী মায়থীবা নংখিবা অসিনা মহাক্কী রেকোর্দতা অচৌবা অমুবা মচুগী মফম অমা কনখ্রে। অহানবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর ১০৭ তা লোইশিনখ্রবা মতুং ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা হৌরকপদা খরা ফিভম শোক্লল্লবসু লোইশিল্লকপদা য়াম্না ফজবা ঙমদুনা ৰিকেট ৭ তুরগা রন ৩৯৬ তা ইন্নিংস অদু দিক্লার তৌখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুদা জোনি বারষ্টো অমসুং খৃস ৱোক্সকী ফজবা মশান্ননা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু রন চাওনা লৌবা ঙমখিবনি। খৃস ৱোক্স ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা আউট তাহনবা ঙমদনা য়াম্না ফজবা রন ১৩৭ লৌখি। অমরোমদা জোনি বারষ্টো রন ৯৩ লৌরমখি। টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা মখা তানা চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেন অদু রন ৪০ লৌখিবা সাম কুরননি।

ইংলেন্দগী বোলরশিংনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংবু অহানবা ইন্নিংস অদু রন ১০৭ তা ওল আউট তাহনখ্রবা মতুং মখা তাবা পিটচ অদুগী খুদোংচাবা অদুমক লৌবা ঙমখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী পেস বোলরশিংনা ইংলেন্দগী বেটসমেনশিংবু খুদুম চনবা ঙমদনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ৩৯৬ লৌখিবনি। ইন্দিয়াগী বোলরশিং অসি অয়াম্বনা মীদিয়ম পেসর অমসুং স্পিন বোলরনি। অমরোমদা ইশান্ত শর্ম্মা অমসুং মোহম্মদ সামিনা ইন্দিয়াগী পেস বোলরশিংগী মকোক থোংলিবনি। মখোয় অনীগী এটেক্না ইংলেন্দগী বেটসমেনশিং অদুবু চাওনা শোকহনবা ঙমখিদে।

রন ৩৯৬ তা দিক্লার তৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদসু স্কোরবোর্দতা রন ১ ফাওবা লৌদ্রিঙৈ অহানবা ইন্নিংসতা রন লৌদনা আউট ওইখিবা ওপনর মুরালি বিজয় অমুক্না হন্না ইংলেন্দগী মকোক থোংবা বোলর জেমস এন্দরসননা আউট তাহনখি। ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুগী এটেক অদুদা য়াম্না ৱানা খাঙখি। লোকেশ রাহুল অমসুং চিতেশ্বর পুজারা অহানবা ইন্নিংসতদি খরা ফজরবসু মেচ অদুদা শীংথাবা য়াবা স্কোর তৌবা ঙমখিদে। রাহুল রন ১০ দা আউট ওইখি। চিতেশ্বর পুজারা ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুগী এটেক ফন্না কুইনা খাঙদুনা লৈখি। বোল ৮৭ তা রন ১৭ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। কেপ্টেন ভিরাত কোলি অহানবা ইন্নিংসতা রন ২৩ লৌখিবনি। অদুবু অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ১৭ তা আউট ওইদুনা মহাক্কী করিয়রদা হন্দক্কী সীজন অসিনা খ্বাইদগী ফজদবা ওইরি।

দিনেশ কার্টিকসু অহানবা বোল মায়োক্নবদা রন লৌদনা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙমখিবা রবিচন্দ্রন অস্বিননা মকোক থোংবা বেটসমেন-শিংদগী হেন্না ফজনা শান্নদুনা ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুবু মায়োক্নবা ঙমখি। হারদিক পানদিয়া অমসুং মহাক্না ৭ শুবা পার্টনরসিপকীদমক রন ৫৫ হাপচিল্লম্বা অদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। পানদিয়া রন ২৬ তা আউট ওইখিবদগী মখা তারকপা বেটসমেনশিং ইংলেন্দগী পেস এটেক অদুদা খাঙবা ঙমদদুনা মরী মরী তুখি। কুলদিপ য়াদব অমসুং মোহম্মদ সামি ইংলেন্দগী জেমস এন্দরসননা আউট তাহনখি। লোয়ননা ইশান্ত শর্ম্মা রন ২ খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী বেটসমেন লৈহৌদবনা মরম ওইরগা বোল ৪৮ দা রন ৩৩ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখিবা অস্বিন উপাই লৈখিদে। ইন্নিংস অদু রন ১৩০ দা লোইশিনখিবদগী ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ইন্নিংস অমগা রন ১৫৯ দা মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৬

১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?

২। কুমজা ১৯৬২ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?

৩। ৰেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?

৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## নাওরেমচা য়োইহেনবনা মকোক ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ কংলৈ চেছ একাদেমি শিংজমৈ চীংঙামথকনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকপা পেট্রিওটস দে জুনিয়র ব্লিটজ চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা নাওরেমচা য়োইহেনবনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা মকোক ওইখ্রে।

ঙসি পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা লৈরিবা নাওরেমচা য়োইহেনবনা অরোইবা রাউন্দদা এলেক্স ফুনদোংবমবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৪.৫ অদু ফংদুনা মকোক ওইখিবনি। অতোপ্পা গেম অমদা গুরুঅরিবম এরোস্মিথ শর্ম্মা অমসুং জালেশ থৌদামগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ০.৫/০.৫ য়েন্নবদগী মাঙজৌননা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা লাকখিবা এরোস্মিথ শর্ম্মনা পোইন্ট ৪ শুদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অতোপ্পা রাউন্দ অমদা লানহৈবা লোইতোংবমবু পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈবা নুংশিথোই ঙাইরাংবমনা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু পোইন্ট ৪ ফংখি। অদুবু বগহোল স্কোর য়েংনবদা এরোস্মিথ শর্ম্মনা নুংশিথোইদগী হেনবদগী নুংশিথোই অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবনি।

পেট্রিওটস দেগা মরী লৈননা কংলৈ চেছ একাদেমিনা ঙসি শীনখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না শান্নরোয় ১৮ না শরুক য়াখি।

# স্বিদেনগী অর্মান দুপ্লানটিসনা পোল ভোল্টতা মিটর ৬ লান্থোকপা খ্বায়দগী চহী নৌবা এথলিট ওইরে



বর্লিন, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সী)ঃ

জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা স্বিদেনগী এথলিট অর্মান দুপ্লানটিসনা নুপাগী পোল ভোল্ট ইভেন্টতা মিটর ৬ লান্থোকপা ঙমদুনা চহী খ্বায়দগী নৌবা এথলিট ওইখ্রে।

মশাগী চহী ১৮গা নুমিৎ ২৭৫ শুরবা অর্মান দুপ্লানটিসনা ঙরাং পাঙথোকখিবা পোল ভোল্ট ইভেন্ট অদুদা মিটর ৬.০৫ চোংবা ঙমখি। পনবা য়াই দনপ্লানটিসনা মহাক্কী করিয়র অসিদা য়ুনিয়র রেকোর্দ অনী থস্না ঙল্লি। ঙরাং লোয়শিনখিবা য়ুরোপিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপাগী পোল ভোল্ট ইভেন্ট অদুদা দুপ্লানটিসনা মিটর ৬.০৫ চোংলগা গোল্ড লৌখ্রবা মতুং রসিয়াদগী ওথোরাইজ ন্যুট্রেল এথলিট ওইনা শরুক য়ারিবা টিমুর মোরগুনোবনা মিটর ৬ চোংলগা সিলভর অদুগা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ( মিটর ৬.১৬) হোল্ডর ফ্রান্সকী রেনো লাভিলিনেনা মিটর ৫.৯৫ চোংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

ওলিম্পিক ষ্টেদিয়ম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না মশাগী ৩৩শুরবী পোলেন্দগী এথলিট অনিতা লোদারসিকপু লেপখৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মহাক্না নুপীহী হেম্মর থ্রো ইভেন্ট অদুদা মিটর ৭৮.৯৪ লংদুনা মরীরকশুবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা ফ্রান্সকী অলেকজেন্দর টর্ভর্নরনা মিটর ৭৪.৭৮ লংলগা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা অতোপ্পা পোলেন্দগী এথলিট জোনা ফিওদোরানা মিটর ৭৪ লংলগা লৌখি।

থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ঙরাং লোয়শিনখিবা য়ুরোপিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুগা গ্রেট বৃটেন অমসুং নোর্থন আয়রলেন্দগী অপুনবা টিম্না পূন্না গোল্ড মেদল ৭, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা মেদল ১৮ দা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। মখোয়গী হেক মথংদা পোলেন্দগী টিম্না গোল্ড ৭, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

য়ুম্বু ওইখিবা জর্মনিগী টিম্না গোল্ড ৬, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা পূন্না মেদল ১০ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ফ্রান্সকী টিম্না গোল্ড ৩, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা পূন্না মেদল ১০গা ৪শুবা পোজিসন তাখি। ৫শুবা পোজিসন্দা বেলজিয়ম অমসুং গ্রিস পূন্না লৈরি। মখোয় অনীম্মক গোল্ড মেদল ৩, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংমিন্নখি।

# চেম্পিয়ন নোর্থ কোরিয়ানা ব্রাজিলবু ২-১ মায়থীবা পীখ্রে



পেরিস, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সী)ঃ ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৫দগী হৌরকখিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙরাং অথেঙবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী অরোইবা গ্রুপ মেচতা নোর্থ কোরিয়ানা ব্রাজিলবু পাঙ্গল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই ব্রাজিলগী টিম অসি ৱর্ল্ড কপ অসিগী মেচ অমফাওবা মায়পাকপা ঙমদ্রি। মখোয়গী অহানবা মেচতা মেক্সিকোগী মখুত্তা পাঞ্জ ২-৩দা মায়থীখি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেচতা ইংলেন্দগা শান্নবদা পাঙ্গল ১-১দা দ্রো চৎখি। অমরোমদা নোর্থ কোরিয়াগী টিম অহানবা মেচ ইংলেন্দগী মখুত্তা পাঙ্গল ১-৩দা মায়থীবা নংলবা মতুং মখোয়গী অনীশুবা মেচতা মেক্সিকোবু মখোয়না পাঙ্গল ২-১দা থোইদুনা লাকখি।

টিম অনীম্মক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা অকনবা লম্বা তৌরকপদা ব্রাজিলগী ওইনদি মায়থীবা য়াদবা মেচ অমা ওইখি। অমরোমদা নোর্থ কোরিয়াদি দ্রো চৎল ফাওবদা গ্রুপ অদুদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা য়াম্না কন্না শান্নদুনা পাঙ্গল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। হাফ অদু লোয়গদবা মিনট অমখক ঙাইরবা মতমদা নোর্থ কোরিয়াগী সোন সুন ইমনা অহানবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা ব্রাজিলবু মখোয়না ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

পনবা য়াই চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৬তা পাপুৱা ন্যু জিনিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা ফ্রান্সপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। অনীশুবা হাফতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী গেসিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মখা তানা শান্নরকখি। অপীবা মিনট ৯০গী মতম লোয়শিল্লি ফাওবদা অহেনবা পাঙ্গল লৈত্রিঙৈ, ইঞ্জুরি টাইমগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা নোর্থ কোরিয়াগী শান্নরোয় সো কুম ওকনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা ২-১দা মায়পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাংগী রন্নর্স অপ ফ্রান্সকা ওগষ্ট ১৬তা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী টিম্না গ্রুপ 'এ'গী অরোইবা মেচতা নেদরলেন্দসপু পাঙ্গল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা নেদরলেন্দসনা গ্রুপ 'বি'গী ৱিন্নর ইংলেন্দগা থা সিগী ১৭তা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হেন্দবোল টিম চাইনিজ টাইপৈগী মখূৎতা অহানবা মেচ মায়থীখ্রে



জকরতা, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী)ঃ

থা অসিগী ১৮ দগী মপুং ওইবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস হৌগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা হেন্দবোল অমসুং ফুটবোলগী গ্রুপ মেচশিং থা অসিগী ১০ দগী হৌখিবনি। ঙসি হেন্দবোলগী গ্রুপ দিগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম চাইনিজ টাইপৈনা মায়থীবা পীখ্রে।

জকরতাগী গোর পোকপী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা ইন্দিয়াবু পোইন্ট ১৯-১৩ দা হেন্দুনা লৈখি। গোল স্কোর তৌবগী মায়কৈদা য়েংনরুবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদি এভরেজ ওইনা পাঞ্জল চনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অমরোমদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয়শিং শান্নরোয় মশীং অয়াম্বা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী হেন্দ-বোল টিম অসি হেন্দবোল এসোসি-এসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মাঙজৌননা টিমগী লিষ্ট পীখৎতুনা ঙন্না শান্নগদবা মরম্না জকরতাদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী টিমশিংগা লোয়নদ্রিঙৈ মাঙওইননা য়ৌবগী তঙাইফদবা লৈখিবনি। মদুগী মতাংদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসননা অনৌবা পোলিসি অমা শীন্দুনা এসিয়াগী নিপানশুবা অমসুং মদুগী মথক্তা লৈবা টিমশিং এসিয়ন গেমস য়াওহনবগী থবক পায়খৎলকপা অদুনা হেন্দবোল টিম অসি য়াওদবগী ফিভমদা লৈরম্বনি। অদুবু এসিয়ন গেমস অসিদগী ওষ্ট্রেলিয়া, উজবেকিষ্টান, চাইনা, ওমান অমসুং য়ু এ ঈ ৱিথদ্রো তৌখিবদগী ইন্দিয়া অতোপ্পা টিমশিংগী মরক্তা তরেৎ শুবা পোজিসনদা হাইগৎলক্তুনা শরুক য়াখিবনি।

অহানবা হাফতা পোইন্ট ৬ হেন্দুনা চাইনিজ টাইপৈনা ইন্দিয়াবু মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী হেন্দবোল শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট মান্ননবা লাক্লরকখি। অদুবু মশা খিংবা হেনখিবা অমদি টিমগী ওইবা চুংশিন্নবা মশান্না উৎপা ঙমখিবা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয়শিং অদুনা অনীশুবা হাফ অদুদা পোইন্ট ৪ হেল্লগা অমুক ১৯-১৫ দা স্কোর তৌবদগী পূন্না ইন্দিয়া ২৮-৩৮ দা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা মেচ অমদা বাহরেননা ইরাকপু পোইন্ট ৩০-২৪ দা থোইখি।

# রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী নুপাগী টাইটল রাফেল নদালনা ফংখ্রে অদুগা নুপীগীনা সাইমোনা হালেপনা লৌখ্রে





টোরোন্টো/মোনত্রিএল, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) ঃ কনাদাগী সিটি অনী টোরোন্টো অমসুং মোনত্রিএলদা চপ মান্ননা পাঙথোকপা নুপাগী এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু স্পেনগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা রাফেল নদালনা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী টাইটল অদুনা নুপীগী কাঙলুপতা মকোক থোংলিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফংখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রাফেল নদালনা টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া মায়থীবা পীদুনা মীয়াম্না মশক মুন্না খঙদ্রিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় গ্রীসকী ষ্টিফানোস সিটসিপাসকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদা সিটসিপাসকী মায়কৈদগী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা রাফেল নদালগী মশান্না অদু মুন্না ঔরাইবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী সর্ভিস গেম অনী নদালনা মুনখিবদগী অহানবা সেট অদু স্পেনগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না কোম্না ৬-২ দা থোইখি।

মশাগী চহী ২০ শুবগী নুমিৎতা রাফেল নদালগা লম্বা তৌনখিবা ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা টোরোন্টো সিটিদা পাঙথোক্লিবা রোজর্স কপ এ টি পি টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০ গী মনুংদা লৈবা শান্নরোয় ৪ থংন-থংননা মায়থীবা পীরম্বনি। মখোয়গী মনুংদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম, সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ, জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন য়াওরি।

ঙরাং ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা নদালনা শুপ্নগী মিনিট ৩৪ দা ষ্টিফানোস সিটসিপাসপু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা সেটকীদমক শেম-শানখি। অনীশুবা সেট অদুসু হৌরকপদা নদালনা খুদুম চনবা ঙমখি। অদুবু সিটসিপাসকী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরক্তুনা মহাক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমখি। সেট অদু গেম ৬-৬ মান্নরকপদগী টাই ব্রেকতা মখা তানা লম্বা চত্থখি। মদুদা এক্সপিরিএন্স লৈবা হেল্লবা রাফেল নদালনা পোইন্ট ৭-৪ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী রোজর্স কপ টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ৩২ শুরবা রাফেল নদালনা রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্না মরিরক শুবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অদু অহানবা ওইনা ২০০৫ দা লৌখি। অনীশুবা অদু ২০০৮ দা লৌরবা মতুং ঙরাংগী টাইটল অদুগী মাঙওইননা কুমজা ২০১৩ দা লৌবা ঙমখি। ঙরাংগী এ টি পি টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা রাফেল নদালনা নুপাগী টেন্নিসকী প্রোফেস্নেল ইরাদা এ টি পি টাইটল ৮০ হেন্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ৪ গী মনুং চনবা ঙল্লি।

খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা অদু টুর্নামেন্ট ১০৯ গী টাইটল ফংখিবা য়ু এস এগী জিমি কোনোর্সনি। মহাক্কী মথংদা স্বিজর্লেন্দগী টাইটল ৯৭ লৌবা ঙল্লিবা রোজর ফেদরর অদুগা টাইটল ৯৪ লৌখিবা জেকোস্লোভাকিয়াগী ইভান লেন্দলনি।

থা অসিগী ২৭ তগী ন্যু য়োর্কতা হৌগদৌরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চিনচিনাটি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা রাফেল নদাল য়াওররোই হায়না ফোঙদোকখি। মদুগী অচৌবা মরমদি গ্রান্দ স্লাম অদুগীদমক মহাক্কী হকচাংগী ফিভম অদু শেমগৎননবনি হায়খি। মহাক্কী মহুৎ টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ অদু টোরোন্টোগী টুর্নামেন্টতা য়াওখিদবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা ওইরগনি।

রোজর্স কপকী নুপীগী মোনত্রিএল সিটিদা পাঙথোক-খিবা টুর্নামেন্ট অদুদা সিঙ্গলসকী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়ু এস এগী স্লোনি ষ্টেফেন্সপু সেট ২-১ দা থোইরগা টাইটল লৌখিবনি। মখোয় অনীনা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদসু লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা হালেপনা টাইটল লৌখি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুদা হালেপকী মায়কৈদগী হৌরকপদা ষ্টেফেন্সপু লাকশিনবা ঙমখিদে। গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ মান্নদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুসু লম্বা মান্নখ্রবা মতুং হালেপনা ৮-৬ তা থোইখি। অনীশুবা সেটতদি ষ্টেফেন্সনা হালেপপু খুদুম চনবা হৌরকখি। মহাক্কী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ষ্টেফেন্সনা ৬-৩ দা অনীশুবা সেট অদু থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমদা পুরকখি। পনবা য়াই, মমাঙ চহীগী য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লামগী নুপীগী টাইটল অদু য়ু এস এগী স্লোনি ষ্টেফেন্সনা লৌখিবনি।

৩ শুবা সেটতা স্লোনিগী সর্ভিস গেম অমা হালেপনা মুনবা হেনখিবদগী ৬-৪ দা থোইরগা নুপীগী রোজর্স কপ টাইটল অদু লৌখি। মেচ অদু লোইরবা মতুং হালেপনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মশান্না অদু ষ্টেফেন্সকা শান্নবা মতমদা হেন্না ফজনা শান্নহনবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা ষ্টেফেন্সসু মেচ অদু ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱানগী শান্নরোয়গী মখূৎতা মায়থীবদা করিসু ইকায়নিংঙাই লৈতে হায়খখি।